# চফু শাবনা চাইরেলগী শেন্মীৎলোন ওইরম্বদু ঙসিদি চফু শাবা লৈশিল্লক্তে

## খুঙ্গংগী খোল্লাউ ঃ

**ওকেন্দ্রো খুন্দোংবম**





*নোংমাইজিং* চীংদা চকপা কাঙলুপকী নিংথৌ চাইবনা চহী কয়া খুন্দা লৈতাদুনা পালম্মী। চকপা খুন ১৫ গী নিংথৌ ওইদুনা পাল্লম্লবা মতুংদা ঈশিংনা পুমকোয় কোয়শিল্লম্বদগী কংথখিবা মতমদুদা চাইবা নিংথৌনা কংলাদা ফম্বাল তোংনবা হোৎনখি। অদুবু মীতৈ নিংথৌগা মুক্নদুনা লান শোক্লখি। মীতৈ নিংথৌনা চকপা নিংথৌ চাইববু হাৎতোক্লবা মতুংদা মহাক্কী নুপীবুসু লৌদুনা মীতৈ নিংথৌগী তাল্লোই ওইখি। চাইবা নিংথৌগী মতুং ইন্দুনা লাকখিবা চকপা খুন ১৫ গী মীওইশিংনা মথৱায় হিংনবা মানা মানা থোকপা মফমদা চেন্নখি। চকপা কাঙবু অদুবু চাইরেন হায়না খঙনখি হায়না চকপা খুন্থোকলোনগী মরমদা থিজিল্লিবা নাওরেম ফুল্লোনা ফোঙদোরক্লি।

নিংথৌরোল কয়াগী হাক্তক্তগী চফু শাবদা মমিং চৎপা চাইরেল হায়রিবা অপীকপা খুঙ্গং অসিসু চকপা কাঙলুপকী মীওইশিংনি। চকপা খুন্থোকলোনগী ৱারীনা তোঙান্না থমখ্রগা চাইরেলগী মীয়াম্না থেংনহৌরিবা অৱা নুংঙাইগী ৱারী মতেক অমা পাবীরিবশিংদা তমজবা অসিনা মপূং ওইজগে। অশোয়বা অরানবা নৎত্রগা চিংথহৌবা হায়বদুনা তোঙানবা ৱাফম ওইরসি।

চাইরেল থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শুগুনু এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবদা লৈবা খুঙ্গং অমনি। ইম্ফালদগী শুগুনু বর্মা রোদতা কিলোমিটর ৭৫ রোম চৎলগা লৈ। চাইরেলদগী ইম্ফাল ফাওবা চৎপদা গাড়ীগী অতোংমলসি লুপা ১৬০ (হঙ্গৎ-হন্দাদা) নি। সনা লৈবাক কংলৈপাক্কী নিংথৌ পাল্লম্বশিংগী ৱারী শিংবুল নৈনবদা কাউথোকপা য়াদ্রবা মফম অমসু ওইরি।

তোঙান তোঙানবা লৈকায় তরুক্না পুনশিল্লগা চাইরেল খুঙ্গং শেমখিবনি। মখোয়শিং অদুদি চাইরেল শাবল (য়ূমকোক ৬৩ - ভোটর মশীংনা ১৯৯), চাইরেল অৱাং লৈকায় (য়ূমকোক ৭২ - ভোটর মশীংনা ২৪০), চাইরেল খোংনাং লৈকায় (য়ূমকোক ৮৫ - ভোটর মশীংনা ২৬৬), চাইরেল ময়ায় লৈকায় (য়ূমকোক ৪৯ - ভোটর মশীংনা ১৬২), চাইরেল মখা লৈকায় (য়ূমকোক ৫৪ - ভোটর মশীংনা ১৭৪) অমদি নৌনা হোংদোকখিবা চাইরেল খুনৌ (য়ূমকোক ৬৩ - ভোটর মশীংনা ২৪০) পূন্না মীওই লিশীং ২ হেন্না খুন্দাবা মফমনি। অপূনবা ভোটর মশীংনা ১২৮৭ লোম লৈ। (পীজরিবা য়ূমকোক অমদি ভোটর মশীংসিদসু অৱাৎ-অপা খরদি লৈগনি)।

চাইরেল খুনৌদি চাইরেল খুঞ্জাওদগী কুমজা ১৯৮৬ তা হোংদোকখিবনি। পূন্না য়ূম ১৮০ রোম খুন্দাবা অপূনবা মীশিংনা ৪০০ রোম লৈ। অপূনবা মীশিংদগী ৩০/৪০ রোমখক খৃষ্টান লাইনীং চৎত্রি। লেমহৌরি অতৈ পূম্নমক্তি লাইনীংসি চৎখ্রে হায়না চাইরেল খুনৌগী উপ প্রধানসু ওইরিবা লাইশ্রম শামোনা ফোঙদোকখি।

চাইরেল খুন অসিগী নোংপোক্তা পাঙলতাবী, তোনশেন লমখাই, নোংচুপতা খোইজুমান, লাইঙৌবী, অৱাংদা ৱাঙু মমাঙ, শন্দোংখোঙ অমদি মখারোমদা নুংঙু তাংজেং, চন্দনা পাকপীনচিংবা লৈরি। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদগী ইমুং খুদিংদা চফু শাদুনা খুনসিগী শেন্মীৎলোন ফগৎলম্লবসু ঙসিদি চফু শাবা ইমুং ৪/৫ দগী হেন্না লৈত্রি। অদুসু মমীংখক্কী ওইনা লাই-তীলগী থৌরমদা শিংলগা শাবনি। শিনফমসি মুৎখিবসি মণিপুর লৈঙাক্না মিৎয়েং চঙবীদবা অমদি খুঞ্জাশিংনা খন্থহৌদবদগীনি হায়না খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরকই।

চাইরেল খুন ওইরক্লিঙৈগী পুৱারীগী ৱারী পরিং লিরদুনা চকপাগী মরমদা থিজিল্লিবা অমদি কুমজা ১৯৯০ দা চাইরেল গ্রাম পঞ্চায়েটকী প্রধান ওইরম্বা নাওরেম ফুল্লোনা হায়, চাইরেল নিংথৌ চাইবনা শিখ্রবা মতুংদা চাইনা চেন্নখিবা চাইরেলশিংনা অহানবদা খুরাই চাইরেল থোংখোঙদা মতম খরা খুন্দারম্মী। মদুগী মতুংদা লমশাংগী তাউথোংদসু খুন্দারম্মী। ঙসি তাউথোংদা খুন্দারিবশিংগী মরক্তদি চকপনি থোয়না হায়নদ্রে।

মখা তারকপদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ক্বাক্তা মনাক্তা লৈরিবা লৈতানপোকপীদসু মতম খরা খুন্দারম্মী। মফমদুদা চাইরেলশিংনা চফু শারম্মী। লৈতানপোকপীদা খুন্দাবা মতমদুদা চাইবগী মনাওনুপা য়াওফুরাকপনা নিংথৌ ওই। য়াওফুরাকপগী মচানুপীগা মোইরাং নিংথৌগী মচানুপাগা নুংশি মরী লৈনরকপদগী নিংথৌ মশেল মুক্নদুনা খৎন-চৈনবা থোকখি। মোইরাং নিংথৌনা মমৌ ওইবা পামদে হায়দুনা হাৎলুবদগী লান শোক্লখি। মতমদুদা মোইরাংগী মীওইশিংনা চকপা নৎত্রগা চাইরেলগী নিঙোল লৌবা তারবদি পৎলু হায়না শাপ তৌখি। মফমদু থাদোক্তুনা য়াওফুরাকপনা চুড়াচান্দপুরগী মফম খরদা খুন্দাখি অদুগা মনাওনুপা য়াওশুরাকপনা চাইরেল অহল্লুপ, চাইরেল লৈঙাংতাবীদা খুন্দাখি।

চাইরেল হায়না খঙনরিবা চকপা কাঙলুপ অসি চাইরেল খমতে হায়নসু খঙনৈ। মসিগী মরমদি মখোয়না অতোপ্পা খুন অমদা হোংলমদাই, মী অমা মরাল লৈবদা হাৎপা নৎত্রগা কনবিবা হায়বসি চেগাই খেল য়েংলগা ৱারেপ্পবা চৎনরম্মী। অমরোমদা চকপা কাঙলুপনা অতোপ্পা খুন হোংনবা হোৎনবদা ওকপী অমনা লন্বী থিহনবগী ৱাফম লৈ। ওকনা লৈওন্দুনা শান্নবা মফম নৎত্রগা মচা পোকফমদা খুন্দাবা হায়বসি হৌখ্রবা চহী কয়াদগী ঙসি ফাওবা চৎনরি হায়না ফোঙদোক্লকই।

চুড়াচান্দপুরদা হৌজিক খুন্দারিবা জৌশিং অসিসু মতমদুদা লাঞ্জেল্লকখিবা চাইরেলশিংদগী ওনখিবা য়াওরি। জৌ ফুরুপ অসিসু চফু শাই পল্লদুনা জৌশিংনা চফু শাববু 'বেলতেং' হায়না খঙনৈ। মোইরাংদা খুন্দারিবশিংগা চাইরেলগী মীওইশিংগা য়ূম্বানমিন্নবা য়াদে হায়রদুনা য়াওশুরাকপনা চাইরেল অহল্লুপ্তা খুন্দাবা মতমদা তোইবী লৈমা পোকখি। হৌখ্রবা ৱারী কাউথোক্তুনা তোইবী লৈমবু মোইরাংগী নিংথৌনা মমৌ নুপী ওইগনি হায়দুনা পুখি। তোইবী লৈমা মশা পূম্বা পৎ পুন্সকখি। মহাকপু মোইরাংদগী পুরকপদা লাইশেংফম হায়না খঙনরিবা চাইরেল অহল্লুপ পান্থোইবী উমং মপা লৈরিবা থোং অদু তেকপদগী ঈশিংদা তাদুনা লায়না লাইথুং কয়াদু কোকখি। মদুগী মতুংদা তোইবী লৈমা মশক মতৌ ফজবী নুপী ওইনা পানখি। মোইরাং নিংথৌগী মচানুপানা মনাই মশনগা লোয়ননা শাদানবা লাকপদা তোইবী লৈমা থেংনখি। মহাক্কী মশক্তু উবদা মনাই মশলশিংদুনা অমুক্কসু তালোই ওইনবা ফাদুনা পুখিবদগী চাইরেল অহল্লুপকী খুঞ্জাশিংনা তান্নরগা হাৎখি হায়বগী ৱারীশিং লৈরি। চকপা ফুরুপ নৎতনা চফু শান্নবা লৈতে। লোয়ননা চাইরেলগী মীয়াম্না শাবা চফুনা মৈ থাবা, থাউ ঙৌবা য়াই। কোকফাই কাবগী চাংসু হন্থে হায়খি। *(মখা মথংগী ইশ্যুদা)*

# ষণবুশিংনা অফবা শঙ্গোম পুথোকপা

**ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী**



**শঙ্গোম** অমদি শঙ্গোমগী পোথোকশিংসি মীপুম খুদিংমক্না য়াম্না পাম্না থক্নরি অমদি চানরি। মালেমগী ওইনা ঐখোয়গী ইন্দিয়ানা শঙ্গোম পুথোকপদা য়াম্না ৱাংনা লৈরি অদুবু অতোপ্পা লমশিংদদি শঙ্গোম থকপগী হৈনবী লৈবদুমাইনা ঐখোয়গী মফমসিদদি শঙ্গোম থকপগী হৈনবীসি অঙাং খক্তদা ওইনা লৈবগুম তৌরি। মফম অসিদা ফংলিবা শঙ্গোমগী ক্বালিটিসি অসুক্কী মতিক য়াম্না হন্থরি অমদি শঙ্গোমগী মমলসু অরেপ্পা অমা লৈত্রি। কো-ওপরেটিভ সোসাইটি নত্তনা অতোপ্পশিংদি মাগী মাগী অপান্বা মমলদা অদুমক শঙ্গোমশিং য়োল্লি অদুবু তশেংনা মসি অরানবা অমনি। শঙ্গোমগী মমলসি শঙ্গোমদুদা য়াওরিবা ফেটকী পার্সেন্টেজগী মতুং ইন্না য়োল্লগদি য়াম্না ফৈ। পেকেটতা য়োনবা শঙ্গোমশিংদা দবল টোন নৎত্রগা সিঙ্গল টোন থাবা থেংনগনি। সিঙ্গল টোন হায়রগদি ফেটকী চাংসি চাদা অহুমনি অদুগা সোলিদ নোট ফেট অসিনা চাদা ৮.৫ নি। অসুম্না দবল টোন হায়রগা ফেটকী শরুক অসি চাদা ১.৫ নি অদুগা সোলিদ নোট ফেটনা চাদা ৯ নি।

অফবা শঙ্গোম হায়রগা ক্বালিটি লৈবা শঙ্গোমদুবুনি। ক্বালিটি লৈবা শঙ্গোম হায়রগদি শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু অফবা পাত্রদা হাপ্তুনা অমোৎ অকায়, উফুল, হয়িং, কাংনচিংবা অমোৎপা অমত্তা চঙহন্দবগা লোয়ননা বিন্ধা ওন্দনবা কুইনা থন্বা য়ানবা, পুথোক পুশিন তৌবদা শঙ্গোমগী ক্বালিটি হন্থহন্দনা থন্বা ঙম্বা অদুবুনি।

**শঙ্গোম ফৎহন্দবগী হৌরকফম ঃ**

লায়না চেন্দবা ষণবীদগী পুথোরকপা শঙ্গোমসি অফবনি, মসিদা মহিক অমদি ফৎতবা অমত্তা য়াওদে অদুবু হায়রিবা শঙ্গোমসি নিংথিনা থন্বীহৌদ্রগদি মোৎহনবগী চাং য়াম্না ৱাংই। মসিদসু নত্তনা শঙ্গোমসি ঐখোয়না সোসাইটিদা পুবা মতমদা হাপ্লিবা পাত্র খুদিংমক নিংথিনা চামথোকপীহৌদ্রগদি শঙ্গোম ইংহল্লগা থন্বদা শঙ্গোমদা বেক্টেরিয়া অমদি কোকফাই শুজাগী মশীং হেনগৎহল্লি। করিগুম্বা শাবগী চাং ৱাংখৎলগদি শঙ্গোম ফৎলক্তবগী চাংসু য়াম্না ৱাংই মসিনা য়াম্না চাওনা অমাঙবা অমা ওইহল্লি।

মরমসিনা শঙ্গোমসি ফনা থন্বীগে হায়রবদি মখাগী থৌরাংশিং অসি পায়খৎপীগনি ঃ

**১) শঙ্গোন লু-নান্না থন্বা ঃ**

শঙ্গোন লু নান্না থন্বীদ্রগদি শঙ্গোমদা মহিক কয়া অমা চঙলক্তুনা ফৎহন্দবগী মচাক অমা ওইহল্লি। মরম অসিনা ঐখোয়না মখাগী চেকশিন থৌরাংশিংসি লৌখৎপীগনি।

- ⏭ শঙ্গোনসি মী লৈবা য়ূমদগী খরা লাপ্পা থন্বীগনি। মনাক্তা ঈশিং তুংশিনহনবীরোইদবনি। ষন্থি-ষণয়ুংশিং নিংথিনা মফম চানা খরা লাপ্পা হুন্দোকপীগনি।
- ⏭ শঙ্গোন শাবা মতমদা খরা ৱাংখৎপা মফমদা ওইনা শাবীগনি।
- ⏭ য়ারগদি শঙ্গোনগী লৈমায়সি কনক্রিট ফ্লোরিং ওইহনবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মসিনা ঈশিং শীজিন্নদুনা শিৎ শেংবদা য়াম্না লু নান্না থন্বা ঙমহল্লি।
- ⏭ শঙ্গোন শেংদোক্লিবা ঈশিং অমদি অমোৎ অকায়, মথি ময়ুং খুদিংমক দ্রেনলোমদা নিংথিনা পুদুনা খরা লাপ্পা থাদবীগনি।
- ⏭ মচিঞ্জাক হাপ্লিবা বাগোসসু নিংথিনা শেংদোক্লগা লু নান্না থন্বীগনি।
- ⏭ শঙ্গোনগী লৈমায়দু শেংদোকপা মতমদা ঈশিংনা হান্না শেংদোক্লবা তুংদা দিসইনফেক্টেন্ট হাপ্লগা অমুক শেংদোকপীগনি।

**২. লায়না তীলনাদগী ঙাকথোকপা ঃ**

ষণবুশিংনা মাগী ষণ খুদিংমক লায়না তীলনাদগী ঙাকথোক্লবা মতম মতমগী টিকা থাদোকপীগনি। মতম খুদিংমক্তা খোমদা হৌব্রা হৌদব্রা হায়না চেক তৌথোকপীগনি। শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোমশিং নিংথিনা চামথোকপীগনি। অমদি শঙ্গোন্দা মথি ময়ুং চাইদুনা থন্বীরোইদবনি। মচা পোকত্রিঙৈগী মমাঙদা তীল চেন্দনবা তীল হীদাক থাদোকপীগনি।

**৩. শঙ্গোম শুন্বদা চেকশিন থৌরাং লৌহৌবা**

- ⏭ চেকশিন্না শঙ্গোম শুন্বীগনি
- ⏭ শঙ্গোম শুমগদবা ষণবীদু লাংহনবীরোইদবনি অমদি চাং নাইনা শঙ্গোম শুন্বীগনি।
- ⏭ ষণবী খুদিংমক খোমদা হৌব্রা নৎত্রগা হৌদব্রা হায়বদু খঙদোকপীগনি।
- ⏭ করিগুম্বদা ষণবীদু নারগা হীদাক লাংথক শীজিন্নরগদি শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু অতোপ্পা নাদবা শঙ্গোমগা পূন্না তিনশিনবীরোইদবনি অমদি অতোপ্পদা য়োন্থোকপীরোইদবনি। মরমদি শঙ্গোমদসু পীজরিবা হীদাক্কী রেসিদ্যু য়াওরকই। মসি য়ামদ্রবদা হীদাক্কী কোর্স পীজবা লোইরগা হীদাক্কী ৱিথদ্রোল পেরিওদ নুমিৎ হুমনি ফাওবদি লৈনৈ।
- ⏭ শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈগী মমাঙদা মখোম/মথা, খোমজিন অমদি মশাগী নাকল অনীমক অফবা ঈশিংনা চামথোকপীরগা অকংবা ফীনা তৈথোকপীগনি।
- ⏭ করিগুম্বদা ষণবীদু য়াম্না লেঙবা ওইরগদি ষরবীদুগী মমৈদু মখোঙদা পুনশিনবীগনি।
- ⏭ শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা ষণবীগী মখোমদু/মথাদু নীংথিনা চামথোক্লবা মতুংদা অকংবা ফিনা তৈথোক্লগা খোমজিন্দু খরা শুমদোকপীগনি।
- ⏭ ষণবী অমগা ষণবী অমগা শঙ্গোম শুন্বদা শীজিন্নগদবা ফিদু তোঙান তোঙান ওইগনি। করিগুম্বদা ফি অমখক্তা শীজিন্নবা তারগদি দিসইনফেক্টেন্ট হাপ্লগা চামথোক্লবা মতুং অমুক হন্না শীজিন্নবীগনি।
- ⏭ শঙ্গোম শুমগদৌরিবা মীওইদু লু নান্না, অনা অয়েক য়াওদবা ওইগনি। অমোৎপা ফিরাল শেৎপীরোইদবনি। খূৎশা নিংথিনা শেংনা সাপোন্না হান্লবা তুংদা শঙ্গোম শুন্বীগনি।
- ⏭ শঙ্গোম শুন্বা মতমদা অহানবা শুন্বা শঙ্গোমদু খরা হৈদোক্লগা কোন্না পুল্লপ শুমদোকপীগনি। মখোমদা শঙ্গোম লেমহৌনা থন্বীরোইদবনি। অহানবগী শঙ্গোম খরা হৈদোকপগী মরমদি অহানবা শঙ্গোমসি বেক্টেরিয়াগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওই। মসিবু শঙ্গোমদা পূনশিনখ্রগদি শঙ্গোমদু ফৎহন্দবদগী অচৌবা মচাক অমা ওইহল্লি।
- ⏭ শুল্লিবা শঙ্গোমদা খূৎ লুপশিনবীরোইদবনি। চোৎনা শঙ্গোম শুন্বীরোইদবনি।
- ⏭ শঙ্গোম শুল্লমদাইদা খূৎতা থাউ হাপ্লগা শুন্বগী মহুৎতা ঘী ওইনা হাপ্পীরগা শুন্বনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।
- ⏭ খুবীগা খুদোনবীগা শঙ্গোম শুন্বগী মহুত্তা খূৎ পুল্লপ খোমজিন্দুনা পায়শিল্লগা খুবীনা চিংথবনা হেন্না ফৈ। মসি শঙ্গোম লোয়না শুমদোকপা ঙম্বতা নত্তনা খোমদা শঙ্গোম লেমহৌদে অমদি খোমজিন হেন্না শাংদোকহন্দে।
- ⏭ মনিং থংবা খোমজিন্না হান্না শুমদোল্লবা তুংদা মমাঙদা অমুক শুন্বীগনি। মরমদি শঙ্গোম অয়ান্বা মনিংদা হেন্না লৈ।
- ⏭ শঙ্গোম শুবা মতমদা শঙ্গোম শুল্লিবা মীদুনা লোক খুবা, হাকথি খনবা তৌবীরোইদবনি মরদি মশাগী হুমাং শঙ্গোমদা তাহনলোইদবনি।
- ⏭ শঙ্গোম শুন্বা লোইরগা নিংথিনা ঈশিং অশাবনা খোমজিন খুদিংমক চামথোকপীগনি।

**৪. পীজ পীথকপদা চেকশিনবীগদবা**

- ⏭ অরিবা মচিঞ্জাক, য়েঙ্খ্রাং নাপী অরেম অপা খুদিংমক শঙ্গোম শুমদ্রিঙৈ মমাঙদা পীজবীরোইদবনি। মসিনা শঙ্গোমদা অতোপ্পা মনম অমা চেলহল্লি।
- ⏭ মচিঞ্জাক্তা খঙহোং হোংলগদি শঙ্গোমগী ফেটতসু অহোংবা লাকই। মরম অসিনা অফবা মখলগী মচিঞ্জাক পীজবীবনা খ্বাইদগী হেন্না ফৈ।

অফবা শঙ্গোম হায়রগা শুমদোল্লবা শঙ্গোমদু ফীদা চুমথোক্লগা অফবা ওইবা নত্তে। মসি অনা অয়েক য়াওদবা, মশা মউ ফবা ষণদগী পীবা শঙ্গোমনি। মসি শেন্নরিবা ষণবুনা নিংথিনা লু নান্না শুল্লবদি ক্বালিটি লৈনা শঙ্গোম পুথোকপা ঙম্বতা নত্তনা শেন্দোং লৈনা য়োনবসু ঙমগনি।


# জেনেটিক্স অমসুং বাইওটেক্নোলোজিনা ঙাগী চাথোক হেনগৎহনবদা লৌরিবা থৌদাং

**ডা: য়ূম্নাম বেদজিৎ সিংহ**

**জেনেটিক্স** অমসুং বাইওটেক্নোলোজি অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরু ওইবা হীরমশিং ওইরি। লৌউ-শিংউবা অমদি শা-ষণ য়োকপগীদমক্তদি অফবা অমদি চাথোক লৈবা মখলশিং পুথোকপদদি জেনেটিক্সনা য়াম্না মরুওইবা থৌদাং লৌরি। অদুবু ঙা য়োকপদদি জেনেটিক্সকী মতেং অসি খরা থেংনা শীজিন্নরকই অদুম ওইনমক মায় পাক্না চঙশিল্লক্লি। অফবা ঙা মখল পুথোকপদা শীজিন্নখ্রবা ঙা মখলশিং অদুদি এটলান্তিক সলমোন, বেনবো ত্রাউট, চেনেল কেটফিস, নাইল তিলাপিয়া, কমন কার্প অমদি রোহুনি। অফবা মখলগী ঙা পুথোক্লবা থৌওং কয়া লৈ অদুবু মরুওইবা খরদি ঃ-

১) ইন্ট্রা অসপেসিফিক হাইব্রিদাইজেসন হায়বদি রেস নৎত্রগা অসত্রেন খেন্নবা ঙাশিং তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লৌরগা অফবা মচা পুথোকপা অদুবুনি। তোঙান তোঙানবা ঙা মচা পুথোকফমশিংদগী লৌরগা অফবা মখলগী ঙা মচা পুথোকপা য়াই। হায়রিবা থৌওং অসি শীজিন্নদুনা খ্বাইদগী হেন্না মায় পাকখিবসি য়ু এস এস আরগী অমুর তুরেলদগী ফাবা কমন কার্প অমদি ময়াম্না য়োক্লরিবা কমন কার্প অনীসি চারৌ মৌরৌনদুনা অইংবা মফমদা হৈনবা ঙা মখল কুরসক কার্প পুথোকখিবা অসিনি।

২) ইন্টর স্পেসিফিক হাইব্রিদাইজেসন হায়বদি স্পেসিস মান্নদবা ঙা মখল অনীগী মরক্তা চারৌ মৌরৌনদুনা মচা পুথোকপা অদুবুনি। লেবিও রোহিতা হায়বদি রৌ অসিগা লেবিও কালবসু হায়বদি ঙাথি হায়রগা খঙনবা অসিগা চারৌ মৌরৌনরগা য়াম্না কান্নবা ঙা মখল অমা পুথোকই হায়বদি খরা থুনা চাওগনবা অমদি মচু ঙাংলি ঙাংলি তৌবা ময়াম্না পাম্নবা ঙা মখল অমা ওইহল্লি। তৌইগুম্বসুং লেবিওগী অতোপ্পা ঙাশিং হায়বদি লেবিও রোহিতা অমসুং লেবিও বাতাগা, লেবিও রেলাহিতা অমসুং লেবিও গোনিয়স লেবিও কালবাসু অমসুং লেবিও বাতাগা চারৌ মৌরৌনদুনা পুথোকপা ঙাশিংসি ঙা য়োকপগীদমক্তা কান্নবা মগুন অমত্তা য়াওদে।



৩) ইন্টর জেনেটিক হাইব্রিদাইজেসন হায়বসি জেনস খেন্নবা ঙা মখল অনী চারৌ মৌরৌনদুনা মচা পুথোকপা অদুবুনি। লেবিও রোহিতা হায়বদি রৌ অমোম অমদি কাতলা কাতলা বাও হায়রগা খঙনবা অসিগী লাবা, বাওগী লাবা অমসুং ম্রিগলগী অমোম, বাওগী লাবা অমসুং লেবিও ফিমব্রিএতস অমোম মখলশিং অসি চারৌ মৌরৌনদুনা পুথোকপা ঙা মখলশিং অদুদি য়াম্না থুনা চাওগল্লি অমদি মখল কয়াগী মচিঞ্জাক চাবা ঙম্মী। মরম অদুনা ঙা য়োকপগীদমক্তদি য়াম্না কান্নবা ঙা ওই। কমন কার্পকা রৌ, কতলা নৎত্রগা ম্রিগলগা চারৌ মৌরৌনরবদি অসতেরাইল ওইগল্লি হায়বদি মথংগী চারোল শুরোল পুথোকপা ঙমগন্দে।

৪) সেলেক্টিব ব্রিদিং হায়বদি খ্বাইদগী হেন্না মশা মউ ফবা ঙাশিং খল্লগা চারোন শুরোন কয়া চংনা অফবা মচা পুথোকপা অদুবুনি। অফবা মখলগী জিনশিং অদু চারোন অমগী মথংগী চারোন অমদা মথং মথং পুরক্তুনা য়াম্না ফবা ঙা মখল পুথোরকই। হায়রিবা থৌওং অসি শীজিন্নদুনা পুথোরকপা জয়েন্তিরোই হায়না খঙনবা রৌ অসি থা নিপালদা কিলোগ্রাম ১ গা গ্রাম ৪০০দগী কিলোগ্রাম ১ গা গ্রাম ৫০০ ফাওবা চাওবা ঙম্মী। তৌইগুম্বসুং হান্নদগী য়োক্লরক্লিবা রৌ অসিদি চহী অমদা কিলোগ্রাম অমদগী কিলোগ্রাম অমগা গ্রাম ২০০ ফাওবখক্তমক চাওবা ঙম্মী। গিফ্ট হায়রগা খঙনবা তুংহনবী মখল অসিসু য়াম্না থুনা চাওগল্লি।

৫) ঙা অমোম ঙাক্তা নৎত্রগা লাবা ঙাক্তা পুথোকপা হায়বসি করিগুম্বা ঙা খরগীদমক্তদি য়াম্না কান্নবা থৌওংনি। রৌ, কতলা নৎত্রগা বাওগুম্বা ঙাগীদমক্তদি অমোম ঙাক্তগী ওইবা ঙা পুথোকপনা হেন্না ফৈ মরমদি অমোম্না খরা হেন্না অমদি থুনা চাওগল্লি। তুংহনবীগুম্বা ঙাগীনা লাবা ঙাক্তগী ওইবা ঙা পুথোকপনা হেন্না ফৈ মরমদি লাবনা হেন্না চাওগল্লি। তুংহনবী অমদি পুকলাওবীগুম্বা মচা য়াম্না পোক্নবা ঙাগীদমক্তদি অসটেরাইল হায়বদি মচা পোকলোইদৌবা ঙা মখল পুথোকপনা হেন্না ফৈ। মসিগীদমক্তদি ত্রিপ্লোইদ পুথোকপা দরকার ওই। মরমদি মশা চাওখৎপদা শীজিন্নগদবা পাঙ্গল শক্তিশিং অদু মচা পুথোকপদা শীজিন্নখিবা মরম্না চাওজন থিগনি। হোর্মোন পীজদুনা লাবা ঙাক্তা নৎত্রগা অমোম ঙাক্তা পুথোকপসু য়াই। হায়বদি এনদ্রোজেন পীজদুনা লাবা ঙাক্তা পুথোকপা অমদি এমত্রোজেন পীজদুনা অমোম ঙাক্তা পুথোকপা য়াই অদুবু পীজবগী মতমদি ঙানা পীক্লিঙৈ মতম হায়বদি সম্পাওন ওইরিঙৈ নৎত্রগা ফ্রাই ওইরিঙৈ মতমদা ওইগদবনি।

মণিপুরগী ঙা মচা পুথোক্লিবা মফম খরদা ঙাগী হায়ব্রিদ মচা পুথোকপা য়াম্না শেন্দোং লৈবা অমা ওইনা খন্নরক্লি। অমদি ঙা মচা লৈবিরিবা ঙামীশিংনসু হায়ব্রিদপু ওইরবদি য়াম্না পাম্নরক্লি। তৌইগুম্বসুং ঙাগী হায়ব্রিদ মচা পুথোক্লিবা মীওইশিংনা মথক্তা পনজখ্রিবা থৌওংশিং অমদি ঙা মখলশিং অসি মুন্না খনবীরগা পুথোকপীরবদি লৈবাক্কী ওইনা ঙাথোক হেনগৎহন্দুনা অচৌবা কান্নবা পীগনি। করিগুম্বা কান্নদবা হায়ব্রিদশিং পুথোক্লবদি অচৌবা অমাঙবা ওইগনি। মরমশিং অসি লৈবনা ময়াম পূম্নমক মুন্না খন্থমিন্নদুনা লৈবাক্কী ওইনা ঙাথোক হেনগৎহনবদা অচৌবা থৌদাং লৌমিন্নরসি।